# মণ্ডাশুবা পন্দুপ

মণ্ডাশুবা পন্দুপ

ৱারোইশিন

মঙাশুবা পন্দুপ

# ৱারোইশিন

নীলবীর শাস্ত্রীগী শৈরেং নৈনবা হায়বা থেসিস অসি কবিরত্ন নীলবীর শাস্ত্রীনা হিংলিঙৈদা ফোঙখ্রবা শৈরেং লাইরিকশিং অমদি মণিপুরী চেফোঙশিংদা হাপখ্রবা শৈরেংশিং অদু খোমজিনদুনা পন্দুপ মঙা থোক্লা খায়দোক্তুনা নৈনখ্রে। মখোয়দুদি ১) নীলবীর শাস্ত্রীগী পুন্সী অমসুং থবক, ২) নীলবীর শাস্ত্রী অমসুং মাগী মতমগী কবিশিং, ৩) খণ্ড কাব্য অমা ওইনা 'খোংজোম তীর্থ' নৈনবা, ৪) নীলবীর শাস্ত্রীগী শৈরেংশিং, মঙাশুবা পন্দুপ 'ৱারোইশিন' অসিদা মথত্তগা নৈনখ্রবা পন্দুপশিংদগী তারকপা ফল, মসিনা মণিপুরী সাহিত্যদা পীরিবা কান্নবা অমসুং অনৌবা ফংলকপা ৱারোল কয়া শম্না পাউদম্লি। মখাদা পন্দুপ অমমম লৌখত্তুনা মখোয়গী ৱারোইশিন পীরি।

**অহানবা পন্দুপ : 'নীলবীর শাস্ত্রীগী পুন্সী অমসুং থবক'**

মরু ওইনা অহানবা পন্দুপ অসিদা নৈনরিবসি মহাক্লা মণিপুরী সাহিত্যদা তৌরম্বা অবদানগা মরী লৈননা তৌরম্বা থৌদাংশিং অদুগী ৱারী পরিং অমা শাগৎপনি। নীলবীর শাস্ত্রী ইং ১৯২৭ তা ব্রহ্মপুর ভাগ্যবতী লৈকাই, ইম্ফালদা পোকখি। অপোকপগী মিংনা মণি শর্ম্মা অমদি অপোকপীগী মিংনা মায়পাকপী দেবীনি। অহানবদা পেটিগ্রু এল. পি. (১৮৯৪) স্কুলদা লাইরিক তম্বা হৌখি। স্কুল অসিদা ক্লাস টু পাস তৌরবা মতুংদা মোইরাংখোম য়ু. পি. (মার্চ ১৮৯৯) স্কুলদা ক্লাস থ্রী অমসুং ফোর ফাওবা তম্লম্মী। মথংদা তোম্বীসনা হায়স্কুলদা ক্লাস ফাইভ তম্লম্মী। অদুদগী ব্রহ্মপুর নহাবম লৈকাই, ইম্ফালদা লৈবা সংস্কৃত বিদ্যলয়দা সংস্কৃত তমদুনা শাস্ত্রীগী, অহানবা চহী প্রথমা পাস তৌরগা, অসামগী নলবাড়ীগী সংস্কৃত

কলেজদা মিং চন্দুনা ইং ১৯৪৫ দা মখা তমথদুনা ইং ১৯৪৬ কলেজ অসিদগী সংস্কৃততা প্রবেশ পাস তৌখি। ইং ১৯৪৭ তা অসাম সংস্কৃত পরিষদতগী 'শাস্ত্রী' পাস তৌখি। হিন্দী বিদ্যাপীঠ, এলাহাবাদতগী প্রবেশ পাস তৌরবা মতুংদা ইং ১৯৫০ দা রাষ্ট্রভাষা প্রচার সমিতি, ৱার্ধাদগী 'রাষ্ট্রভষা রত্ন' পাস তৌখি। ইং ১৯৫৪ দা বনারস হিন্দু বিশ্ববিদ্যালয়দগী মেত্রিক্কী থাক্তা মান্নবা 'এদমিসন' গী পরীক্ষাদা সেকেন্দ দিভিজনদা মায় পাক্লকখি।

নীলবীর শাস্ত্রী ফেব্রুৱারী ১, ১৯৫১ দা আনন্দ সিংহ একাদমী, ইম্ফাল (১৯৪৭) দা হিন্দীগী ওজা ওইনা থবক চঙখি। স্কুল অসিদা মতম শাংনা চহী ৩০ রোম ওজা ওইরম্লগা ইম্ফালগী থাংমৈবন্দদা লৈবা খোয়াথোং হায়স্কুলদা জুন ১০, ১৯৮১ দা ত্রান্সফর তৌখি। স্কুল অসিদা চহী মরীরোম ওজা ওইরম্লগা ওজাগী শিনফমদগী রিটয়ার তৌখি। মতুংদা শ্রীদ্বিজমণি দেব শর্ম্ম সংস্কৃত মহাবিদ্যালয়দা প্রিন্সিপাল ওইনা ওজাগী শিনফমদা সংস্কৃত তম্বীনবা থৌদাং লৌবা হৌখি। ওজা অমা ওইনা মথৌদা পূক্লিং চঙবগা লোয়ননা সাহিত্যগী সেবারী অমা ওইরকখি। অসিদা নত্তনা সংস্থান কয়াগা খূৎশম্নদুনা থবক কয়া পাঙথোক্লম্মী। শ্রীদ্বিজমণি দেব শর্ম্ম সংস্কৃত মহাবিদ্যালয়দা প্রিন্সিপাল ওইরিবৈদা খঙহৌদনা অনাবা অমদগী মে ৭, ২০০৫, থাংজ নুমিত্তা মশাগী চহী ৭৮ শুরকপদা পুন্সীগী অরোইবা য়াহীপ তানখি।

কবিনা হিংলিঙৈগী পুন্সীদা সাহিত্যদা মখল মখাগী লাইরিক ইদুনা অচৌবা অবদান কয়াসু তৌবীরম্মী। মহাক্না তৌরম্বা সাহিত্যগী খূদোলশিংদুদি:

শৈরেং:

১. অহিং লিক্লা (১৯৫১)

২. খোংজোম তীর্থ (খণ্ড কাব্য ১৯৬০)

৩. ঈথক-ইপোম (১৯৭১)

৪. সন্ধ্যাগী ঈশৈ (১৯৯০) অমদি

৫. রজনী গন্ধা অমসুং অতৈ শৈরেংশিং (২০০১)

ৱারীমচা:

১. বাসন্তী চরোং (১৯৬৭)

২. তৎখ্রবা পুন্সী লৈপুল (১৯৮৬) অমদি

৩. কায়খ্রবা আশাগী মঙলান (১৯৯৭)

অনুবাদ:

১. থাগী চীং (১৯৯৮) -বাঙ্গালীদগী

২. কম্বন (২০০১) - ইংরেজীদগী

অঙাংগী সাহিত্য :

১. লুচিংবশিংগী নহা ওইরিঙৈ (১৯৫৩)

২. ভারতকী মঙাল (১৯৫৭)

নচিংবনি।

'মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ', ইম্ফালনা ইং ১৯৭৩ দা ফোঙবা **নীংতম শৈরেং খুদোল** হায়বা শৈরেংগী এন্থোলোজি অমা মহাক্না হিজম গুণ সিংহগা পূন্না সম্পাদক ওইমিন্নদুনা ফোঙখি। ইং ১৯৭৫ দনা 'পরিষদকী খঙ্ঙৎলবা ৱারীমচা' (১৯৭৫) হায়বা অসিদসু মহাক্না নোংমাইথেম তোম্বী সিংহগা পূন্না থৌদাং লৌমিন্নদুনা সম্পাদক ওইমিন্নখি।

কবিনা মণিপুরী সাহিত্যদা তৌবীরম্বা খূদোলশিংগী মনুংদা **'তৎখ্রবা পুন্সী লৈপুল'** হায়বা ৱারীমচাগী লাইরিক অসিদা ইং ১৯৮৯ দা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ ফংখি। মহাক্কী লাইরিক অসিদা চহী অসিমক্তদসু নিয়ু দিল্লিগী সাহিত্য একাদেমী এৱার্দসু ফংখি। কবি অসিগী **ঈথক-ইপোম** হায়বা শৈরেংগী এন্থোলোজি অসিদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালনা যামিনী সুন্দর গুহ গোল্ড মেদল (ইং ১৯৭৩) পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। ইং ২০০০ দা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, আসাম (১৯৬১) না 'সাহিত্য রত্ন' পীখি। ইং ২০০১দা মণিপুর সংস্কৃত পরিষদ, ইম্ফাল (১৯৪৭) না **'সাহিত্য শিরোমনি'** পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। ইং ২০০৬ তা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালনা **'কবিরত্ন'** উপাধি পীদুনা নীলবীর শাস্ত্রীবু কবি অমা ওইনা সনমান উৎখি।

কবিনা সাহিত্যগী সংস্থান কয়াগা খূৎশম্নদুনা মণিপুরী সাহিত্যবু চাওখৎনবা থবক কয়া তৌরম্মী। মহাক্না মরু ওইনা হোৎনখিবা সংস্থানশিংদি:

১. মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল (১৯৩৫)

২. মণিপুর সংস্কৃত পরিষদ, ইম্ফাল (১৯৪৭)

৩. মণিপুর হিন্দী পরিষদ, ইম্ফাল (১৯৫৩) অসিনচিংবনি।

মণিপুরখক্তা নত্তনা মপান লমগী মণিপুরী তাবা মফমশিংদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী মশা হাংদোক্লবা হোৎনখি।

**অনীশুবা পন্দুপ : 'নীলবীর শাস্ত্রী অমসুং মাগী মতমগী কবিশিং'**

পন্দুপ অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি নীলবীর শাস্ত্রী অমসুং মাগী মতমগী কবিশিংগী খূৎই মফোঙদোক অদুবু মশক তাকপনি। নীলবীর শাস্ত্রীগী মমাঙগী কবিশিং হায়বদি চাউবা, কমল অমদি মীনকেতননচিংবদগী হৌরগা মথং মথং শমথরক্তুনা নীলবীর শাস্ত্রীনা মণিপুরী সাহিত্যদা খোঙদারকপা মতম হায়বদি ইং ১৯৪৫ দগী ২০০৫ ফাওবদা লৈরিবা রোমান্টিক কবিশিংগী মরমদা মশক তাক্লী। মাগী মতমগী কবিশিং অমদি শৈরেংশিংগী মশক অসি কাঙলুপ অহুম থোক্লা খায়দোক্তুনা য়েংবা য়াই। মদুদি -

১। চাউবা, কমল, মীনকেতনগী মতমগী শৈরেংগী খূৎই, মফোংদোক,

২। মণিপুরী শৈরেংদা মোর্দনিতিগী মমি তারকপা, মসিদা মোর্দন কবি ওইনা চঙশিল্লকখিবা কবিশিংগী শৈরেংগী খূৎইগী মশক, মখোয়দুদি হিজম ইরাবত, সুরেন্দ্রজিৎ, নীলকান্ত, সমরেন্দ্রনচিংবগী কাঙলুপ অমসুং

৩. হৌজিক হৌজিকমক কলম পায়রিবা নহারোল অইবা অইবীশিংনা ইনরক্লিবা শৈরেংগী মশক মওং অসিনি।

অদুম ওইনমক নীলবীর শাস্ত্রীদি ত্রেদিসনেল পোইট অমনি। রোমান্টিক পরমপরাগী ত্রেদিসনবু য়োকখৎপা পান্বা কবিনি। কবিগী খূৎই অমদি মফোঙদোক্তা থম্মোয়দগী হৌরকপা ইথিলগা লোয়ননা কল্পনাগী সংসার অমদা শৈরেংগী মফোঙদোক ওই। কবিগী মীৎয়েং পান্দম, সধারন মীপূম খূদিংমক্না লায়না লৌশিনবা ঙম্বগী পনখৈদা লৈ। মীচমগী লোন, ঈশ্বরদা ভক্তি প্রেমগা লোয়ননা প্রার্থনা য়াওরি। মাগী শৈরেংশিংদা অমা অনী নত্তনা মপূং ওইনা থেংনরিবদি মরৈবাক নীংবদা য়ূম্ফম ওইরগা অকল-অথৌগা মরী লৈনবা ঐতিহাসিক ওইবা ৱারী, মীওইবগা প্রকৃতিগা লৈনবা মরী অমসুং রহস্যবাদ অসিনা মপূং ওইরি হায়বসি নৈনবা অসিদগী খঙবা ঙম্মী।

## অহুমশুবা পন্দুপ : খণ্ডকাব্য অমা ওইনা 'খোংজোম তীর্থ' নৈনবা

পন্দুপ অসিদা মরু ওইনা মীৎয়েং থমদুনা নৈননবা হোৎনরিবা অসি **'খোংজোম তীর্থ'** হায়বা লাইরিক অসি খণ্ড কাব্য অমা ওইনা নৈনবা অসিনি। **'খোংজোম তীর্থ'**বু ঐতিহাসীক্কী য়ূম্ফমদা শাগৎপা কাব্য অমনি। অহানবদা খণ্ড কাব্যা হায়বসি মশক তাক্লবা হোৎনবদা মহাকাব্য করিনো হায়বগী সংজ্ঞা খরা পীরি। লোয়ননা খণ্ড কাব্যগী সংজ্ঞা পীদুনা নীলবীর শাস্ত্রীগী খোংজোম তীর্থবু খণ্ড কাব্য অমা ওইনা নৈনৈ। মাগী খণ্ড কাব্য অসি মণিপুরী সাহিত্যদা ইদুনা পুথোক্লম্বা ঐতিহাসিক খণ্ড কাব্যদা অহানবা সাহিত্যগী খূদোলনি। **'খোংজোম তীর্থ'** হায়বা খণ্ড কাব্য অসিগী মপূং ওইবা ৱারীগী য়ূম্ফমদি মণিপুরী ইতিহাসকী নীংতম্বা মাঙবগী অচৌবা পন্দুপ অমগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইনা শাগৎলি। মণিপুরনা নীংখা তম্বা, লৈবাক

নিংথৌ পান্দুনা লৈরম্বা লৈবাক অসিগী প্রজাশিংনা মরৈবাক্কীদমক্তা ইং ১৮৯১ এপ্রিল থাদা বৃটিশকা খোংজোম লানফমদা অকনবা লান শোক্লখি। লানফম অদুদা মরৈবাক্কীদমক্তা শহিদ কয়া মরুওইনা পাউনা ব্রজবাসী, চীংলেন সনা, শঙ্গোইসনা অমসুং হৈরাং খোংজানচিংবনা মথ্বাই থাখি। মখোয়দা নত্তনা বীর টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গাল জেনরেলবু ইং ১৮৯১, আগষ্ট ১৩ দা মপান কাঙজৈবুংগী ফৈদাপুংদা বৃটিশনা ফাঁসি তৌদুনা হাৎখি। মণিপুরনা বৃটিশকী লোইলম লৈবাক অমা ওইনা লৈখি। মরৈবাক্কীদমক্তা খোংজোম লান্দা থৱায় কৎখিবা মণিপুরগী শহিদশিং অদুগী হকচাংদগী চেন্থরকপা ঈনা খোংজোম তুরেল অদু ঈঙাঙ পাকতক্লখি। অসিগুম্বা তুরেল অসি কবিনা মরৈবাক নীংবশিংগী 'তীর্থ' অমা ওইনা লৌরি। কবি অসিগী **'খোংজোম তীর্থ'** লাইরিক অসি সাহিত্য দর্শনগী মতুংইন্না খণ্ড কাব্য অমদা চঙগদবা মচাকশিং অদু মতাং চানা চানা হাপতুনা মপুং ফাবা খণ্ড কাব্য অমা ওইবগী মশক অদু লৈ। 'খোংজোম তীর্থ' খণ্ড কাব্য অসিদা ৱারীগী মপূংদা শাগৎলকইবা অসি কৎথোকপা হায়বসিনা অথোইবা ধর্ম্মনি হায়না উৎলি। কাব্য অসিগী সর্গ খুদিংমক্তা মরৈবাক মজাতিবু নুংশিজবা মপারী কয়ানা অচুম্বগীদমক্তা থৌনা ফনা য়েক্লবগা মায়োক্লদুনা লান্থেংনখিবা, পুন্সীবু বলিদান তৌখিবনা মপূংনি। মমা লৈবাক মণিপুরনা নীংখা তম্না হিংনবগীদমক অথৌবা কয়ানা শিববু করিসু খন্দনা লৈবাক কয়া জয় তৌখ্রবা বৃটিশকা লান্থেংনখি। কাব্য অসিদা থল্লিবা পন্থুংদি অচুম্বা অমদি ধর্ম্ম হায়বা পান্দম অদু ময়েক শেংনা উৎলি।

**মরীশুবা পন্দুপ : 'নীরবীর শাস্ত্রীগী শৈরেংশিং'**

পন্দুপ অসিদা নৈনরিবসি মরু ওইনা 'নীলবীর শাস্ত্রীগী শৈরেংশিং' হায়বা অসিদা লৈরিবা শৈরেংগী মশক, মফোঙদোক অসিনি। শৈরেংশিংসিদা নীলবীর শাস্ত্রীনা ইরম্বা শৈরেংশিং অদুগী মরমদা তাঙ্কক খায়দোক্তুনা নৈনরি। তাঙ্ককশিং অদুদি:

(ক) 'নীলবীর শাস্ত্রীগী শৈরেংদা মরৈবাক নীংবগী মশক'

(খ) 'নীলবীর শাস্ত্রীগী শৈরেংদা মীওইবগা প্রকৃতিগা লৈনবা মরী' অমদি

(গ) 'নীলবীর শাস্ত্রীগী শৈরেংদা রহস্যবাদ (মিষ্টিসিজম)'

হায়বসিনি।

**(ক) নীলবীর শাস্ত্রীগী শৈরেংদা মরৈবাক নীংবগী মশক:**

তাঙ্কক অসিদা কবিরত্ন নীলবীর শাস্ত্রীনা মণিপুরী শৈরেংদা মরৈবাক নুংশিবা, হৌখ্রবা মণিপুরগী ইতিহাসকী ৱারী পরিং পুশিল্লক্তুনা মরৈবাক্কীদমক্তা থৌদাং য়ারম্বা নিংথৌ, নিংথৌমচাশিং অদুবু শীংথাদুনা পাউদম্বনি। মরৈবাক্কীদমক্তা থৱায় ফাওবা থাবা ঙমখিবা শহিদশিং অদুবু নীংশীংবা, মখোয়দা শ্রদ্ধাঞ্জলি কচ্চবা ভারত ভুমিবু মরৈবাক অমা ওইনা মসিগী মগুণবু শকচবা, শোঞ্জবা অমদি শৈথাজবা অসিনি। মরৈবাক্কীদমক্তা কবিনা কদায় ফাওবা য়ৌশিন্না (থৱায় হকচাং য়াওনা) থৌদাং লৌবগে হায়বদু কবিগী মরৈবাক নীংবগী শৈরেংশিংদা ময়েক শেংনা উবা ফংই। 'খোংজোম তীর্থ' শৈরেংদা মরৈবাক্কীদমক্তা থৱায় থাখ্রবা শহিদশিংগী মথৌনা য়েকলি। 'ফাঁসী শগাইথক্তা' হায়বসিদা বীর টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গাল জেনরেলনা

নোক্লা নোক্লা ফাঁসী সগাই কাদুনা থৱায় থাখি। **‘নিংথি তুরেল মপান্দা গম্ভীরসিংহ’** দনা অৱানা চহী ৭ খুন্তাকহন্দুনা মণিপুর অসি ওৎ-নৈদুনা থমখিবা অসিগী লমন খুন্বা ওইনা গম্ভীরসিংহনা মনাউ নরসিংহগা লোয়ননা য়েক্লবা অৱাবু মণিপুরদগী নিংথি তুরেল ৱাংমফাওবা তান্থোকখি। নীং তম্বা মণিপুর অমা ইং ১৯২৫দা পুরকখি। অসুম্না য়েক্লববু মাইথীবা পীরবা মতুংদা ইং ১৮২৫ দা গম্ভীরসিংহনা মণিপুরগী নিংথৌ খুভম অমুক হন্না ফংখিবগী ইতিহাসকী ৱারী ইরি। **‘ভারত ইমা’** শৈরেংদনা ভারতবর্ষ অসিবু খরা পাকথোকপা মীৎয়েংদা মরৈবাক মরমদম অমা ওইনা লৌদুনা মসিগী মতীক মগুণবু শৈথারি।

অসুম্না কবিনা মাগী শৈরেংদা মরৈবাক নীংবগী খেন্ন খেন্নবা মশকশিং অদু পুথোক্তুনা নৈনরি। মসিবু হেন্না ময়েক শেংহন্নবগীদমক মরৈবাক নীংবা মণিপুরী কবিশিং মরু ওইনা চাউবা, কমল, অঙাংহল, মীনকেতন, ইরাবতনচিংবগী শৈরেংগা চাংদম্নদুনা খূদম খরসু হাপ্পুনা নৈনৈ।

### (খ) নীলবীর শাস্ত্রীগী শৈরেংদা মীওইবগা প্রকৃতিগা লৈনবা মরী

তাঙ্কক অসিদনা কবিরত্ন নীলবীর শাস্ত্রীগী শৈরেং খরদা থেংনবা মীওইবগা প্রকৃতিগা লৈনবা মরী অদু নৈনবনি। মসিবু মপূং ফানবগীদমক মোর্দন পেরিওদকী কবিশিং - চাউবা, কমল, মীনকেতন, অঙাংহল, নবদ্বীপচন্দ্র, শীতলজিৎ, ময়ুরধ্বজ, ইবোহলনচিংবগী শৈরেংশিংদা থেংনবা খুদম পীদুনা নৈনৈ। কবিশিং অসিগী শৈরেং অয়াম্বদা মীওইবগা প্রকৃতিগা নক্লবা শক্লোন্দা শৈরেংগী মশক য়েকই। চাউবগী শৈরেংদা লৈরাংগা মীওইবগী পুন্সীগা মান্নবা মশক শৈথাদুনা ইরকই অমদি

মীনকেতন, ময়ুরধ্বজ অমসুং শীতলজিৎনচিংবনা প্রকৃতিগী পোৎশকশিংসু মীওইবসু ঈশ্বরগী খূৎশেম্নী হায়না ফোঙদোকই। William Wordsworth, P.B. Shelley, John Keats, Lord Byron নচিংবগী শৈরেংদা মীওইবগা প্রকৃতিগা লৈনবা মরী য়েল্লী। নীলবীর শাস্ত্রীগী শৈরেংদা মীওইবগা প্রকৃতিগা লৈনবা মরী অদু পুথোক্কুনা নৈনৈ। মসিদা কবিগী শৈরেংশিং **'খোংজোম তীর্থ'** দা খোংজোম তুরেলগা মণিপুরগী অরোইবা নীংতম লানগী থৱায় থাখ্রবা শহিদশিংগা লৈনবা মরী, **'লৌমীদা'** লৌবুক্কা মীওইবগা, **'ইনজিংবী'** দা ইনজিংবী মৈতৈ নুপীগা নোংজুথাগী মতমগা লৈনরিবা মরী, **'বাসন্তী'** দনা তাইবঙ নুজাগা লৈরাংগা মান্নবা মশক অদু উৎলি। **'লম্বীগী উফুলদা'** উফুলগা প্রকৃতিগী খূৎশেম ওইরিবা উফুলবু থৱাই পালহন্দুনা খোঙনেৎনরিবা তাইবঙ মীওইবগা লৈনরিবা মরী অদু ময়েক শেংনা ফোঙদোকই। অসিগুম্বা খেন্ন খেন্নবা মশকশিং অসি কবিগী শৈরেংশিং অসিদগী মচা খায়না নৈনদুনা পুথোকই।

### (গ) নীলবীর শাস্ত্রীগী শৈরেংদা রহস্যবাদ (মিষ্টিসিজম)

তাঙ্কক অসিদা মপূং ওইনা নৈনরিবসি নীলবীর শাস্ত্রীগী শৈরেংদা থেংনরিবা রহস্যবাদকী মশক অদুনি। রহস্যবাদপু মশক তাকপদা অখণ্ড-অহৈ কয়ানা পীরম্বা সংজ্ঞ খরদা য়াওবা মরুওইবা রহস্যবাদকী মচলশিং অদু লৌখৎচরগা কবিগী শৈরেংগী মশক লেপ্পী। মীওইবগা ঈশ্বরগা লৈনবা মরী, প্রকৃতিগী পোৎলম খূদিংমক ঈশ্বর মাগী খূৎশেমনি হায়না লৌবা, তাইবঙ মীওইবগী হকচাংনা জীবাত্মা ওইরগা ঈশ্বরনা পরমাত্মা ওইরগা জীবাত্মানা পরমাত্মাদা তিনখিবগী মশক অসি উৎলী। তুরেলনা পাক্লবা সমুদ্রদা তিনখ্রগা সমুদ্রগী ঈপাক ওনখিবগুম, মীওইবগী হকচাংগী

আত্মানা ঈশ্বরদা চঙজদুনা ঈশ্বরগী শরুক অমা ওইনা তিনখিবগা অমত্তনি। ঈশ্বরনা শেম্বা খূৎশেমনি, ঈশ্বরদা অমুক তিনখিনি। তাইবঙ লিলা শান্ননবা ঈশ্বরনা মীওইবা অসি শেম্লকপনি। লিলা অদু লোইরগা অমুক হনখিগদবনি। মীৎয়েং খরা অসিদা কবিগী শৈরেংশিং **'শকউদবা চেক্লা'** দা জীবাত্মাগা পরমাত্মাগা উন্নবগী লম্বী থিবা, **'তুরেল'** হায়বা শৈরেংদনা তুরেলনা শুক্ল মম্লবা চীঙ্গোনদগী হৌরক্লগা চাউরবা নুঙ্গায় মরক্তা চেল্লক্তুনা কদায়দা চৎলিবা, অদুগা থেক্ল-খোয়না চেল্লক্তুনা তুরেলগী তাফম ইপাক অদু য়ৌখ্রগা অমুক হল্লক্লরোই। মীওইবগী পুন্সীসু তুরেলগী ঈচেলগা চাংদম্নদুনা জিবাত্মানা পরমাত্মাদা তিনখি। মমৈথংদা অমত্তা ওইখিদুনা অমুক হল্লক্লরোইদবগী মশক উৎলি। **'তিনশিনখ্রে'** শৈরেংদনা মীওইবনা শিরবা মতমদা হকচাং পোলাংনা উৎ ওন্দুনা তাইবঙ লৈশাদা তিনখিবগী মতাংদা শৈথাই। **'লৌশিনবীগে ননিংনি'** হায়বসিদনা মনাই ওইবা তাইবঙ মীওইবনা শেম্বীরকপা মপু মঙোন্দা চঙজবগী প্রার্থনা উৎলি। **'লীলা ফম্পাক্ত'** হায়বা শৈরেংদনা শিবা চঙবগী দর্শন উৎলি। **'তাইবঙ কৈথেল'** দনা মীওইবগী পুন্সীগা তাইবঙ কৈথেলগা চাংদম্নে। **'লৌশিনবীরোনে'** হায়বা শৈরেংদনা কবিগী অরোইবা মতম লাক্লবদা মপু মঙোন্দা চঙজবগী প্রার্থনা য়াওরি। মপূ মঙোন্দা অমত্তা ওইনা তিনখিবা পাম্বগী দর্শন উবা ফংই। নীলবীর শাস্ত্রীগী শৈরেংশিংদা মরৈবাক নীংবা, মীওইবগা প্রকৃতিগা লৈনবা মরী অমদি ঈশ্বরগা মীওইবগা লৈনরীবা মশকশিংগী খূদম মখাদা পীজরি।

মরৈবাক নীংবগী মশক্তা - নীংতম্না পাঞ্জরম্বা মণিপুরনা বৃটিশকী লোইলম লৈঙাকলোনগী মখাদা লৈখি। কবিনা খোংজোম তুরেলবু উবদা অথৌবশিংনা মরৈবাক্কীদমক্তা য়েক্লবা বৃটিশকা অকিবা লৈতনা মথৌনা পুথোক্তুনা মায়োক্লখিবা

অমদি জাতিগীদমক চিংনবা লৈতনা লানফমদা মথ্বায় কৎখিববু কাউবা ঙমদে। ইতিহাসকী মগুণবু **'খোংজোম তুরেল উবদা'** হায়বা শৈরেংদা মরৈবাক নীংবা, অথৌবশিংবু শৈথাদুনা অসুম্না ইরকই।

*জাতিগী নিংতম লানফম য়াইদা*
*অকনবশিংগী শিন্থখিবা ঈরিক*
*হৌজিকসু চেল্লি নংগী ঈরোননুংদা*
*নোংমা ঈমাই ঙাঙখিবদো ইমা।*

*'ঈথক ইপোম' লা: ১১*

কবিনা মীওইবগা প্রকৃতিগা লৈনরীবা মরীদা মহৌশা খূৎশেমগী মফম ওইরিবা লৌবুক্তা লৌমীগী হোৎনবা কনবা মথৌদগী মহৈ ফংলবা, ফৌগী চরোংনা চুপ্লবা ফৌনাগী মশক উবদা কবিগী **'লৌমী'** হায়বা শৈরেংদা ফোঙদোক্লী।

*অপাকপা লম্চাং লৈরাংনা শাৎলে,*
*চাউরবা লৌবুক - হৈরাংনা থল্লে,*
*অশংবা চরৈ লৌমীনা কৎলে,*
*মপুগী খুৎশেম থোইনা নিংথিহল্লে।*
*অঙকপা থৌনানি লৌমী নংগী।।*
*লৌমীগী অৱাবদা তেংথাখিনি সংসারনা;*
*নংগী হরাওবদা নুংঙাইখিনি মালেম্না;*
*লাইর খাংপোক মাংখ্রনি শোয়দনা;*
*ফুরা দলাল লাক্লনি থিন্দনা*
*তপথখোনে লৌমী অখাং কল্লুনে।*
*অশাগী লৈরাং লৈকা ফনখিনিনে।*

*'অহিং লিক্লা' - লা: ৮*

কবিগী রহস্যবাদ (মিষ্টিসিজম) হায়বা শৈরেংগী মশক অসিদা মীওইবগা ঈশ্বরগা লৈনরীবা মরী, জীবাত্মাগা, পরমাত্মাগা তিন্নদুনা অমত্তা ওইখিবগী মশক অদু উৎলি। মীওইবগী থৱাইনা তাইবঙপান থাদোক্তুনা চৎখ্রবদা শেন্বীরকপা মপু মাগী নাক্তা অমুক হন্দুনা অমত্তা ওইখি। থৱাইনা তাইবঙ থাদোক্লমদাইদা মীওইবগী পাঙ্গল থৌনা পুম্নমক অতোপ্পগী খল্লক্তে শেন্বীরকপা ঈশ্বর মহাকপু নীংশিংলকই। নুমিৎনা নোংচুপকী চীংদোন্দা চঙলমদাই সন্ধ্যাগী অসিগুম্বা মতমবু মীওইবগী পুন্সী অসিসু সন্ধ্যাগা মান্ননা কবিনা লৌরী।

কবিগী **'সন্ধ্যাগী ঈশৈ'** হায়বা শৈরেংদা পুন্সীনা লোইরমদাই ঈশ্বরবু নক্লা লৌরকপা, নীংশীংলকপগী মতাংদা :

*শক্লগে ঙসিদি সন্ধ্যাগী ঈশৈবু*
*পুন্সীগী য়াচঙবা লাকপদা মতমনা*
*লোৎখ্রেদো কোরৌনা নোংচুপকী চীংদোন্দা*
*শৈশিলসু লৌররে থাজনা নোংপোক্তা।*
*... ... ... ... ... ... ... ... ... ...*
*শকনাইদবা মপুগী কোলোইনা নিল্লক্লে।*
*সুরসু নহাক্লি ছন্দসু নহাক্লি।*
*ঈশৈসু নহাক্লি পূম্নমক নহাক্লি,*
*মমিংত ওইবনি ঐদি নথৌদা ইনবনি*
*নহাক্কী পূঙলোন্দা শকলে ঈশৈনি।*

*'সন্ধ্যাগী ঈশৈ' লা : ১*

মীওইবনা তাইবঙদা খোংদারক্তুনা পাংথোক্লীবা থৌরম থৌদা খুদীংমক মপূ মাগী থৌদানি। মহাক্কী পূঙলোন্দা ইনজবনী হায়না ঈশ্বরগা লৈনবা অচেৎপা মরী অদু উৎলি।

পন্দুপ অসিদা নৈনরীবা অসিদগী খঙবা ঙম্বদি কবিগী শৈরেং লাইরিকশিংগী মনুংদা য়াওরীবা হীরম অসি মীৎয়েং অহূম থোক্লা য়েংবা য়াই। মরৈবাক মজাতিবু নুংশিজবা, মহৌশাগী পোৎশকশিংগা মীওইবগা লৈনরিবা মরী লোয়ননা পুন্নমকসিবু শেম্বীরক্লীবা ঈশ্বরগা থানবা য়াদবা মশক উৎলি। কবিগী মরু ওইনা 'রহস্যবাদ' হায়বদি মীওইবগী অত্মানা হকচাং পোলাং থাদোক্লুম্লগা পরমাত্মা (ঈশ্বর)দা তিনখিদুনা অমত্তা ওইখি হায়বসিনি। কবিগী সাহিত্যগী অবদান অসি মণিপুরী সাহিত্যগী তাঙলবা অমদি লেঙদ্রবা লন অমনি।

নীলবীর শাস্ত্রীগী শৈরেংশিং অসি নৈনবদা ফংবা অমদি নৌনা থেংনবা সাহিত্যগী মচল খরা পুথোকপা তারবদি মখাদা শুপচিন্না পীরি।

মণিপুরী সাহিত্য চাওখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়ারম্বা কবিনি। কবি অসিগী শৈরেংশিংদা মপূং ওইনা মরৈবাক নীংবা অমদি মণিপুর ইতিহাসকী য়ূমফমদা শাগৎপা হীরম কয়া য়াওরি।

মহাক্না হৱাইবম নবদ্বীচন্দ্র অশাংবম মীনকেতন অমদি রাজকুমার শীতলজিৎনচিংবগী মতুংদা মণিপুরী সাহিত্যদা রহস্যবাদকী ৱাখল্লোন্দা ইবা শৈরেংশিং কবি অসিনসু নৌনা পুথোক্লুম্মী।

মীওইবসি অমর নত্তে, শিবা নাই হায়বা ৱাখল্লোন অসিগা লোয়ননা ঈশ্বরদা চঙজগদবনি হায়বা মীৎয়েংসি মাগী শৈরেংশিংদা উবা ফংই।

খুৎই, মফোঙদোক অমদি লোন্দা পুদা অসি য়েংলুরগা ট্রেদিসনেল পোইটশিং চাউবা, কমল, মীনকেতন অমদি অঙাংহলনচিংবগী কাঙলুপতা থম্বা য়াই। মোর্দন পোইটশিংগী খুৎইগী মশক উবা ইফং ফংদে। খুদম ওইনা - মাগী মতমগী কবিশিং - নীলকান্ত, সমরেন্দ্র, সুরেন্দ্রজিৎনচিংবগী শৈরেংগী ৱাখল্লোনগা খেন্নে।

অদুম ওইনমক রা: কু: ঝলজিৎ, এলাংবম সোনামনি, খাইদেম প্রমোদিনী, খুমন্থেম ইবোহলনচিংবগী খুৎই অমদি ৱাখল্লোনগা মান্নবগী মশক উবা ফংই।

টেক্সবুক রাইটর অমা ওইনসু শরুক য়ারম্মী। খূদম ওইনা অহিং লিক্লা (শৈরেং) - মসি ক্লাস সভেনগী টেক্স বুক ওইনা ইং ১৯৬১-৬৭ ফাওবা ওইরম্মী। খোংজোম তীর্থ (খণ্ড কাব্য) অসি ইং ১৯৬৩-৭৫ ফাওবা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ইলেক্টিভ মণিপুরীগী টেক্স বুক ওইরম্মী। এম. য়ু.গী বি. এ. থর্দ ইয়র (ওনর্স)কী টেক্স ওইরি।

মহাক্তী অইবা ওইনা হৌরক্লগা পুন্সিগী অরোইবা মতম ফাওবদা অইবা অমা ওইনা পুন্সি লোমখি। কবি অসিনা হিংলিঁৈদা মণিপুরগী মপাল লমদা চৎতুনা সাহিত্যগী থবক কয়া তৌবতা নত্তনা সাহিত্যগী সংস্থান খরসু লিংখৎনবা অচৌবা থৌদাং য়ারম্মী। খূদম ওইনা - কছাড়, ত্রিপুরা, হোজাই, বাংলাদেশ, অসামনচিংবদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, সখা লিংখৎপগী থৌদাং লৌরম্মী।

ঙসিদি কবি অসিগী সাহিত্যগী অবদান কয়া অসিনা মণিপুরী সাহিত্যদা লেঙদ্রবা ফিদা অমা থাদুনা লৈহৌরি।